**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-05-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসিগা ঙরাং রাজ ভবনদা উন্নদুনা লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

২) লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরগনি।

অমসুং

৩) সক্সাগম ভেল্লিদা শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈননা লৈরিবা অচুম্বা ৱাফমশিং চাইনানা অরানবা মওংদা পুথোকবা হোৎনৈ হায়না ভারতনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

**------**

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসিগা ঙরাং রাজ ভবনদা উন্নদুনা হৌজিক তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা অমদি মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীবা য়াওনা সরকারনা লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা নিংথিনা পাউদমখি। লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিং নৌনা খুন্দা লৈতাহন্নবা মখোয়গী ময়ুম মকৈ শাবীবা, শেলগী তেংবাং

পীবনচিংবগী মতাংদসু য়ামা কুপা খন্নখি।

থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম শেলুংবা লৈকাইদগী খাঙেন্বম অপান্বা সিংহ কৌবা মীওই অমা মাংখিবগী মতাংদা রাজ্যপালনা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই অসি লংলা লংজিল পুথোকবা মথৌ তাবা থবকশিং লোখৎনবা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখি।

কাংলুপ অনিগী মীওইশিং খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংনবা সেক্যুরিতিগী চ্যেক পোষ্টশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ৱাফমসু রাজ্যপালনা খঙহনখি।

মীফম অদুদা জেনিমসতা মহৈ তম্লিবা মেদিকেলগী মহৈরোইশিংনা হৌজিক লৈফম লৈতবগী থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু খন্নখি অমসুং মহৈরোইশিং অসিগী লৈফম চাফম নিংথিনা শেমবা ৱাফম মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখি।

বিরেন(এল)ঃ আইননা য়াদবা মওংদা ম্যান্মারদগী মনিপুরদা নারোলদা চংশিন্দুনা লৈরম্বা ম্যান্মার মচা ৩৬ মশাগী মরমদম ম্যান্মারদা হলহনখ্রে। সরকারনা আইননা য়াদবা মওংদা লমদম অসিদা চংশিন্দুনা লৈরম্বা মীতোপশিং খঙদোক্কুনা মখোয়গী মরমদমদা অমুক হলহন্নবা পায়খৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা হায়রিবা ম্যান্মার মচা ৩৬ অদু ঙরাং মোরে ফাওবা পুদুনা ম্যান্মারগী ওথোরিতিদা শিন্নখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- মীতোপশিং মরৈবাক্তা অমুক হলহনখিবগী থবক অদু অচান মীরাই নাইবা অমত্তা য়াওদনা চখিবনি। ম্যান্মারদগীসু ভারত মচা অমা লৈবাক অদুগী ওথোরিতিনা খুৎশিন্নখি। কেন্দ্র সরকারনা মখা তানা আইননা য়াদবা মীতোপশিং খঙদোকপগী থবক অমসুং মখোয়গী বাইও মেত্রিক লৌবগী থবকসু লেপ্তুনা চখিগনি । শ্রী বিরেননা ঐখোয় ইশাগী ইরমদম অসিবু চেৎনা ঙাক্কুনা কন্দুনা থমসি হায়নসু রাজ্য অসিগী মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

সিসি (এল)ঃ সি.সি. স্কুল ফ্রেন্দস অমসুং সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টাফশিংনা আইমোল ফুরুপকী অহানবা ওইনা সিভিল সার্ভিসেস পরিক্ষাদা মায়

পাল্লকখ্রবা খৃষ্টোপর আইমোলবু ঙরাং হরাউ তয়ামা ওকখ্রে। স্কুল অসিগী মিনি ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইজ্‌কেসন দাইরেক্তর লাইশ্রম নন্দকুমার সিংহ, সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ফুলেম মেমতোম্বীনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মীখল ঃ লোক সভা মীখলগী মঙাসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসি লোইরগনি। হয়েং মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতনা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি।

মরক অসিদা, থা অসিগী ৭ তা লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ থাদনগদৌরিবা অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। রোড সো, মীয়ামগী রেল্লিনচিংবা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। গুজরাত্তা তাঙ্কক অসিগী মীখলগীদমক রাজনীতি দল পুমমকা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু শুকশোই শোইদনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি। আনন্ট, সুরেন্দ্রনগার, জ্নাগর অমসুং জামনাগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা চাউনা অহোংবা কয়া পুরকপগী খুদম মীয়ামা উবা ফংলে। ভারতনা মালেমগী থবক থৌশিল কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌই হায়বসিসু পুমমকা খঙনরি।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অশোক ঘেলোৎনা অহামেদবাদতা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা হায়- লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনগনি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা মমতা বেনর্জিনা কেন্দ্র সরকারনা নোংচুপ বেঙ্গল অসিবু মীরাইবীরে হায়না মরাল শিরি। নারিয়া জিলাগী তাহেতোদা মীখলগী মীতিন অমদা মহাকা হায়- রাজ্য অদুদা সি.এ.এ অমসুং এন.আর.সি চৎনহনবা য়াহল্লোই। রাজ্য অসিগী সরকার পায়রিবা দল অসিনা মীচম মীয়াম,

নুপীশিং য়াওনা মখোয়গী ফংফম থোকপা চাওখৎ থৌরাংগী কান্নবশিং অদু ফংহল্লি।

আর.জে.দিগী লুচিংবা তেজাস্বি যাদবনা সমস্তিপুর, সহরসা অমসং অরারিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা হায়- কেন্দ্রদা পাল্লিবা সরকার অসিনা সংবিধান শেমদোক্কুনা রিজার্ভেসনগী নিয়মশিং ওন্থোকবা হোৎনরি।

ইসি ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়রি- রাজনীতি দলশিংনা এদভরতিজমেন্ট সর্ভে নত্রগা এপপশিংগী খুত্থাংদা পোষ্ট ইলেক্সন বেনিফিসরি স্কিমশিংদা বেনিফিসরিশিং রেজিষ্টর তৌবগী ৱাফম খুদক্তগী লেপকদবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। কম্মিসন্না হায়- দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংনা হায়রিবা নিয়ম অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরবদি মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

প্রোটেষ্ট ঃ সক্সাগম ভেল্লিদা শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈননা লৈরিবা অচুম্বা ৱাফমশিং চাইনানা অরানবা মওংদা পুথোকবা হোৎনৈ হায়না ভারতনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রায়গী ৱাঙাংলোই রনদির জৈসৱালনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা হায়- ভারতনা সক্সাগম ভেল্লি অসি লৈবাক অসিগী শরুক অমনি হায়না লৌই অমসুং পাকিস্তান্না সক্সাগভ ভেল্লিবু আইন্না য়াদবা মওংদা চাইনাদা পীথোকখিনবা হোৎনবা ইং ১৯৬৩ চাইনা-পাকিস্তানা বাউন্দরি এগ্রিমেন্ট অদু ভারতনা ঙসি ফাওবা য়াবা লৈতে। মহাকা হায়- চয়েৎনরিবা লম অসিগী মতাংদা লৈরিবা ৱাফমশিং অরানবা মওংদা পুথোকবা হোৎনরিবশিং অদুগী মতাংদা নিউ দিল্লিনা বৈজিংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। ভারতনা মশাগী স্বার্থ ঙাকচনবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপগী হক লৈজে।

মেট ঃ ইন্দিয়ান মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমৈন্তনা হায়- অৱাংনোংপোক ভারতকী মফমশিংদা অকনবা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুখিগনি ।

দিপার্টমেন্ট অসিনা মখা তানা হায়- জম্মু কাশ্মির, লদাগ, গীলগীত, বালতিস্তান, মুজাফরাবাদ, উত্তরাখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেসতা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী তরুক ফাওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌবা য়াই হায়না ফোংদোক্লি।

ক্রিকেট ঃ আই.পি.এল ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙরাং হাইদ্রবাদকী রাজিভ গান্ধি ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবদা সন রাইজরস হাইদ্রবাদনা রাজস্থান রোয়েলসপু রন ১ দা থোইখ্রে। ঙসি মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিময়দা কোলকত্তা নাইট রাইদরসকা মুম্বাই ইন্দিয়নসকা শান্নরগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আইনগী ৱাংমদা নারোনদা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা ম্যান্মার মচাশিং মরমদমদা হলহনখিবগী পাউ, চুরাচান্দপুর সালবুংদা লৈবা এস.বি.আই ব্রাঞ্চতগী লুপা লাখ ১৫ লুট তৌখ্রে অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা মফম কয়াদা অমাং অতা থোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- ম্যান্মারদগী চংলকখিবা মীতোপশিং অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা থিন্দোকপা লোইখ্রে, ম্যান্মারদগী চংলকপা মীওই কয়া লোনা য়াদবা মওংদা মণিপুরদা লৈশিল্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ইন্দিয়ানগী চীঞ্জাক ৫২৭ হকচাং শোকিঙাই ওই হায়না লৈবাক কয়ানা মরাল শিরক্লে। মণিপুরদা পুথোক্লিবা স্পাইসেসশিং টেষ্ট তৌনবা সেম্পলশিং থাগদৌরি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- অকনবা নুংশিৎনা অমাং অতা থোকখ্রে, এন.ঐচ-৩৭ তা লেন্দ স্লাইদ থোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- মণিপুরদা আইন কায়না চংলকপা ম্যান্মারি ৭৭ অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মরমদা হলহনখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মোর্নিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসন, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, ঈচেল এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচেশিংদসু তোঙান

তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- চুরাচান্দপুরগী এস.বি.আই ব্রাঞ্চতগী লুপা লাখ ২০ লুট তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- এম.য়ু, ইদুকেসন দিপার্টমেন্টকী প্রি- পি.ঐচ.দি এন্ট্রান্স রিজল্ট অনিরক থোরকখ্রে, অঙকপা ওইনরে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- মীতৈ অমসুং কুকিগী ইরাং চহি অমা ফারে, য়েংথিনরিবা ফুরুপ অনিনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মওংদা থৌরমশিং পাঙথোকগদৌরি হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না মে ৩ বু মণিপুর পিছ ডে হায়না পাঙথোকবা আপীল তৌরি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা মে ৩ গী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রে, নোং ফজনা চুদ্রবদি সিংদা ডাম কংখিবা য়াই হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

হুইয়েন লানপাউদা- লান চহি অনি শুহল্লগুমশি য়ুনিয়ন লৈঙাকনা অকনবা মীৎয়েং থন্বীয়ু হায়না তরাগী চৈশুনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- মাংখিবা মীওইশিং লংলা লংজিল পুথোকবা সেক্যুরিতি ফোর্স মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা রাজ্যপালনা খঙহনখিবা ব্রাফম অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- কুকি জো কম্যুনিতিনা ঙসি মে ৩ গী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। কোতুনা বন্দ কৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- অকনবা নোং চুবদগী তমেংলোং জিলাদা মৈ ফংদ্রে, ঈচাউ থোকপদগী তমেংলোং-ইম্ফাল লম্বী ফাওনদ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দ চামদা- তমেংলোং জিলাদা নেসনেল দিৱার্মিং ডে হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

-------